# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 20-04-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১)  সেক্যুরিতি ফোর্সনা রাজ্য অসিগী মফম কয়াদা থিবা হুম্বগী থবক চথবদা তোঙান তোঙানবা লালহৌলুপশিংগী মীওই কয়া ফাগৎলে।

২)  মালেমগী অতৈ মফমশিংগা লোয়ননা মণিপুরদসু ঙসি ইষ্টর সনদেগী থৌরম ধর্ম্মগী চৎনবী অমসুং হৃরাউ তয়াম্বগা লোয়ননা পাঙথোক্লি।

অমসুং

৩)  দিল্লিগী মুস্তাফাবাদতা মথোল মরি ৱাংবা বিল্ডিং অমা নিংখায়বগী থৌদোক্তা শিখিবা মীগী মশিং ১১ শুরে।

------

পুলিস (এল)ঃ  সেক্যুরিতি ফোর্সনা রাজ্য অসিদা শান্তি পুরকবা চিংনবা মফমশিংদা থিবা হুম্বগী থবক চথবদা তোঙান তোঙানবা লালহৌলুপশিংগী মীওই কয়া ফাগৎলে।

মণিপুর পুলিস কন্ট্রোল রুমদগী থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়- ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী সেকমাই পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চন্না লৈবা খোঙনাংপোকপীদা সেক্যুরিত ফোর্সনা থি হুম্বগী থবক চথবদা থ্রি নোট থ্রি রাইফল অমা, পোম্পী গন অহুম, নোংমৈ খরা লোকেল মেদ তুয়েল্ব বোর রাইফল অমা ফাগৎপা ঙমখি।

থৌবাল জিলাগী লিলোং চাউবোম খুমনদগী থার্তি সিক্স ঐচ.ই হেন্দগ্রেনেদ ৭ অমদি অতৈ পোৎলমশিং ফাগৎখি।

অমরোমদা, ইম্ফাল ইষ্টকী লম্লাই পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চন্না লৈবা নোংদম ভিলেজগী নাপেৎপল্লি-অন্দ্রো লম্বীদগী য়ু.এন.এল.এফ (পাম্বৈ)গী মীওই অনি ফারে। মখোয়দগী মোবাইল ফোন অনি য়াওনা শেনফম খরা ফাগৎখি।

ইম্ফাল ইষ্টকী শঞ্জেনবম শঙশাবী ভিলেজদগীসু প্রিপাক্কী কাদর অমা ফাগৎপা ঙমখি। জিলা অসিগী য়োরবুং খুনৌদগীসু য়ু.পি.পি.কেগী কাদর অমসু ফাগৎখি। ফারবা মীওই অদুদগী মোবাইল ফোন অমা অমদি অতৈ পোৎলম কয়া ফংলে। লম্লাই মখা লৈকাইদগী কে.ৱাই.কে.এলগী কাদর অমসু ফারে অমসুং ইরিলবুং পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চন্না লৈবা ক্যামগৈ হৈবোং মখোঙদগী প্রিপাক (প্রো)গী কাদর অমসু ফাখি।

ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী শলাম মমাং লৈকাই কেতুকি লম্পাক্তগী কে.সি.পি (এম.এফ.এল)গী মীওই অনি ফাগৎলে।

বিষ্ণুপুর জিলাগী নিংথৌখোং ৱার্দ নম্বর থার্তিনদগী সেক্যুরিতি ফোর্সনা কে.সি.পি (তাইবং ঙানবা)গী মীওই অমা ফারে।

মরক অসিদা, সেক্যুরিতি ফোর্সনা মাংখ্রবা চাকা মরি পানবা গাড়িশিং ৪ সু ফংবা ঙমলে হায়রি।

ইষ্টর সনদে (এল)ঃ মালেমগী অতৈ মফমশিংগা লোয়ননা মণিপুরদসু ঙসি ইষ্টর সনদেগী থৌরম ধর্ম্মগী চৎনবী অমসুং হরাউ তয়াম্বগা লোয়ননা পাঙথোক্লি। নুমিৎ অসি প্রভু যিশু খৃষ্টনা শিখ্রবা মতুং অমুক হিংগৎলকপবু নিংশিংদুনা পাঙথোকপনি। চর্চশিংদা অয়ুক অঙনবদগী হৌনা লাইশোল সভা পাঙথোকপনা নুমিৎ অসিগী মপুং ওইবা শক্তম ওইরি। নোনে জিলাদসু ইষ্টর সনদেগী থৌরম পাঙথোক্লি।

ক্লাইমেত (এল)ঃ মালেমগী অঙৈং অশাগী খলদা অকায়বা কয়া লাকপদগী মীওইবা য়াওনা অতৈ জিবা কয়াদসু খুদোংচাদবা কয়া মায়োকহল্লি হায়না হকশেল বিভাগকী ক্লাইমেত চেঞ্জগী ষ্টেট নোদেল ওফিসার ডাঃ ৱাই. নেবিদিতানা হায়রি।

অকাশবানি ইম্ফালগী ঈ-পাউ কাংবুদা ডাঃ নেবিদিতানা হায়- মসিনা মরম ওইরগা মীওইবদা মখল মখা কয়াগী লায়না কয়া নাহল্লি। রাজ্য অসিদা শাবগী চাং হেনগৎলকপগা লোয়ননা ঐখোয়না চেকশিন থৌরাং কয়া লৌখৎপগী তঙাইফদবা লৈ।

লিভর (এল)ঃ রিজনেল ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস ইম্ফালদা ৱার্ল্ড লিভর ডেগী থৌরম ঙরাং পাঙথোকখ্রে। চীঞ্জাক হায়বসি হিদাকনি হায়বা থিবা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুগী মপুং ওইবা পান্দমদি- অফবা লিভর অমসুং মচি ওইবা চীঞ্জাক চাদুনা লিভরবু অশোই অঙাম থোক্তনা থম্বা হায়বসি।

থৌরম অসিগী শরুক অমা ওইনা মীয়াম পুন্না খঙমিন্নবগী থৌরম অমা ধনামঞ্জুরি য়ুনিভর্সিতিদা পাঙথোকখি।

রেড ক্রোস (এল)ঃ থা অমা চুপা চথুরিবা মালেমগী রেড ক্রোস ডেগা মরী লৈননা ঈ দান তৌবগী থৌরম অমা ঙরাং বিষ্ণুপুর জিলাগী তৌবুল মমাং লৈকাই কম্ম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অসি গ্রিন ব্রিগেদ ফাউন্দেসন মণিপুর, লাইফ সেভর মণিপুর, ইন্দিয়ান রেড ক্রোস সোসাইতি বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট ব্রাঞ্চ, দিপার্টমেন্ট ওফ ব্লড ত্রান্সফ্যুজন মেদিসিন রিমস, মণিপুর ষ্টেট এইদ কন্ট্রোল সোইসতি অমসুং তৌবুল গ্রাম পঞ্চায়টনা শিনবনি। থৌরম অদুদা পুন্না মীওই ৪৮ না ঈ দান তৌখি।

ফুটবোল (এল)ঃ সেক্তাগী এস.এস.সি প্লে গ্রাউন্দদা চথুরকপা ৬ শুবা সেক্তা ত্রোফি ২০২৫ গী ঙরাং শান্নখিবা মেটচতা ৱাই.এস.সি লৌশাংখোংনা পুপু পুংদোংবমবু পাঞ্জল ১-০ দা থোইখ্রে। অতোপ্পা মেটচশিংদা এস.দি.সি শমুরৌনা এস.এস.সি শওম্বুংবু পাঞ্জল ৩-১ দা, ঐচ.ৱাই.দি.সি হুইদ্রোমনা পি.ৱাই.পি.সি পুংদোংবমবু পাঞ্জল ৩-০ দা থোইখি।

অন্দর থার্তিন বোইজ ইন্তর ক্লব ফুটবোল তুরনামেন্টকী ঙরাং শান্নখিবা মেটচশিংদা- ইমা ফুটবোল একাদমিনা রিগুলর ফুটবোল কোচিং সেন্তরবু পাঞ্জল

১-০ দা, কোকিল বোন এস.সিনা থোইবা এফ.এবু পাঞ্জল ৩-১ দা অমসুং ক্লাসিক ফুটবোল একাদমিনা খুমন এফ.এবু পাঞ্জল ১-০ দা থোইখ্রে।

দিল্লি ঃ দিল্লিগী মুস্তাফাবাদতা মথোল মরি ৱাংবা বিল্ডিং অমা নিংখায়বগী থৌদোক্তা শিখিবা মীগী মশিং ১১ শুরে। অতেক অকায় মরক্তগী কনবা ঙমখ্রবা মীওই ৫ হৌজিক হোস্পিতালদা লায়েংলি অমদি অশোকপা মীওই ৬ না লায়েংলবা মতুংদা হোস্পিতালদগী দিসচার্জ তৌখ্রে।

নেসনেল দিজাষ্টর রেস্পোন্স ফোর্স, পুলিস, ফয়ার দিপার্টমেন্ট, দিল্লি দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট ওথোরিতি অমদি অতৈ এজেন্সি কয়ানা মফম অদুদা থি হুন্বগী থবক চখ্ররি।

লাইবক থিবা থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবা মীওইশিংদা দিল্লিগী মুখ্য মন্ত্রি রেখা গুপ্তনা অৱাবা ফোংদোরক্লি। সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- থৌদোক অদুগী মতাংদা থিজিন্নবা হুকুম অমা থোকখ্রে। থৌদোক অদুদা চেন্নবশিংগী মথক্তা অকনবা চৈরাক পীগনি।

---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

পোকফমদা মমল হন্থনা ঠিকা লৌবনা থবক্তা ক্বালিতি মেন্টেন তৌবা ঙমদবনি হায়না এক্স-সি.এম নোংথোম্বম বিরেন্না ফোংদোকখিবা ৱাফম অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি পিপলস ক্রোনিকলদসু অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

জেনিমসকী বাইও মেদিকেল ৱেষ্ট হুন্দোকপা লেপত্রি, কাবক শাবক কুপশিল্লগা থল্লি হায়বা পাউনা শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী ইদিসনগী অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস ইদিসনদসু অহানবা হেদলাইন তৌরি।

নহারোলগী থৌদাংদা- দিল্লিদা মীতৈ নুপী অমা শিরে, থবক শুবা য়াওবী অমসু থৌরি য়াল্লগা শিরল্লে হায়বা পাউনা পাডচে অসিগী অহানবা লমায়দা

ফোংলি। প্লাষ্টিক্কী পোৎলমশিং ঐখোয়না পামা শিজিন্নরবসু মদুগী মাংজবদি কা হেন্না খন্থনদে হায়বা পাউ অমসু পাউচে অসিগী অহানবা লমায়দা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

এরোপ্লেন তাবা য়াহনগনি হায়রম্বা জিরি লম্বীগী নুঙ দলাল মনাক্কী আর.সি.সি ব্রিজ শাবা লোইশিন্দবনা লাং থাকপগুম থোক্লে হায়বা পাউনা হুইয়েন লানপাউগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

মণিপুর মেলদা- মণিপুরগী গভর্নর আজয় কুমার ভল্লানা খোঙহামপাৎতা লৈবা ষ্টেট ওর্কিদরিয়ম য়েংশিনখিবগী পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

ঈচেল এক্সপ্রেসতা- মেসোকোন ইং ২০২৫ পাঙথোকখ্রে, তাঙনা থেংনবা অনাবা মখলশিং লায়েংবদা মাংজিল থানবা হোৎনরি হায়না রিমসকী দাইরেক্তর প্রোফেসার জি. শুনিলকুমার শর্ম্মনা ফোংদোকখিবা ৱাফমনা অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

ইরোং মখা প্রাইমারি মাদ্রাসাদা শুপগী কা অমখক্তদা কাস রুম অমদি ষ্টাফ রুম ওইরি, ওজা অনিখকা মহৈ তম্বীদুনা লৈরম্লে হায়না পাউ অমা পাউচে অসিগী এনকর কলমদা ফোংলি।

সনালৈবাক্তা- মীয়ামা কোকোমিগীদমক লেপ্পীয়ু, অমিত সাহ চপ চানা থেংনজগে হায়না কোকোমিনা ফোংদোকখিবা ৱাফমা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

মোর্নিং বেলদা- দিষ্ট্রিক্ট খুদিংমক্তা লৈরিবা আর্মদ লাইসেন্সশিং ভেরিফিকেসন চত্থনবা খঙহনখ্রে হায়বা পাউনা পাউচে অসিগী অহানবা লমায়দা ফোংবা থেংনরে।

------